HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




অন্সমগী মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদনা মরম ওইরদুনা কৈথেলমানবীদা নুমিৎ ৭নি রোম পন্দুনা লৈরক্লিবা অহাঙবা ত্রকশিংগী দ্রাইভরশিংনা চানবা মণিপুর দ্রাইভরস এসোসিএসননা চেঙ, হৱাই, অচাথাও অমদি ঈশিং লেম্না য়েন্থোক্লবা


ঐখোয়না হকচাং ফনা লৈহন্নবা হোৎনবদা মচি ওইবা চিঞ্জাকশিং ... ☛ লামায় ২

মীতৈগী পুয়া 'নিঙথৌলোল্ লম্‌পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা) লামায় ৪

খাঙবোক্কী ঈশিং থুমজিল্লবা লৌকোলশিং কন্নবা লৈঙাক্না থৌরাং ... ☛ লামায় ৬

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম' ☛ লামায় ৯


ওক্টোবর ৫গী অয়ুক্তা সেকমাই লান্থোক্লগা কাংপোকপী রোমদা চৎখিবদগী মফম খঙদ্রিবা নুপামচা অনীগী অহল-লমনশিংনা এম এল এ রাজেনগা লোয়ননা গভর্ণরদা মেমোরেন্দম পীশিনবা




Vol. 47, Issue No. 224 | লৈপাকপোকপা, মেরাগী ২৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, November 07, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


## লিন্থোইঙম্বী হিজম ১সুং হেমঞ্জিৎ ফিজমগী হকচাং খূৎশিন্নবীয়ু তকশিল্লিঙৈদা

# সেকমাই লান্থোক্লগা কাংপোকপীরোমদা চৎখিবা নুপামচা ২ মফম খঙদ্রে

### মাইবম অভিনাস লাংজিং অচৌবদা লৈবা দোন বোস্কো স্কুলদা ক্লাস টেন তম্লিবনি

### খুল ২দা ওপরেসন চথখ্রে, মীওই ৩ ৱাহং পাউহংনবা লৌখৎলে

নুপামচা অনী মফম খঙখিদ্রবা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্তকী খেংজাং অমসুং কে লাংনোম খুলশিংদা জে ইন্ট সিক্যুরিটি ফোর্সনা থি-হুন্বগী থবক চথখ্রে।

খুল অনীসিদা কম্বাইন্দ ফোর্সকী পর্সনেলশিংনা চথখিবা কোম্বিং ওপরেসনদা মীওই অহুম থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ভেরিফিকেসন তৌবগা লোয়ননা মখোয়বু মখা তানা ৱাহং পাউহং তৌনবগীদমক লৌখৎলে হায়না মণিপুর পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসিগা লোয়ননা মফম খঙদ্রিবা অঙাং অনীসিগী খোঙ্গুল লীনবা ওপরেসন মখা তানা চথরি হায়রি।

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** জুলাই ৬তা ময়ূমদগী থোকখিবদগী মফম খঙলক্ত্রবসু সেপ্টেম্বর ২৫দা কুকি লমহেনবশিংনা লিন্থোইঙম্বী হিজম অমসুং ফিজম হেমঞ্জিৎপু হাৎতোকখ্রে হায়বগী ফোটো ভাইরেল ওইরকপদগী মমাঙ থাগী ২১দা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল লুকমাই সেল্লূপকী মায়কৈদগী ঙরাং ফাওবদা হকচাংশিংগী হকচাং ফংহন্দ্রবদি কৈথেলগী ইমাশিংনা মীয়ামগা লোয়ননা থিরগনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোক্তুনা লৈরিঙৈদা মহৈরোয় ১ য়াওনা নুপামচা ২ মফম খঙদ্রে।

ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা লংলা-লংজিন অমত্তা ফংবা ঙমখিদ্রবা নুপামচা অনীদুগী মমিংনা লমশাং পি এসকী মনুং চনবা অখাম অৱাং লৈকায়দগী মাইবম অভিনাস এলিয়জ খাবা (১৫) অপোকপা এম হেমন্ত অমসুং নিংথৌজম এন্থোনি এলিয়জ তেম্বা (১৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন সুন্দর কৌই।

মখোয় অনীগী মনুংদা এম অভিনাস হৌজিক লাংজিং অচৌবদা লৈবা দোন বোস্কো স্কুলদা ক্লাস টেন তমদুনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদবা ঐচ এস এল সী এগজামিনেসনদা শরুক য়াগদৌরিবনি। অদুগা এন এন্থোনিনা শা থোংলগা য়োনবা দুকান অমা ফমদুনা লৈবনি হায়রি।

নুপামচা অনীসিগী মতাংদা মখোয়গী ইমুং-মনুংগা নক্লবা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা এম অভিনাস মমা-মপাগী অমত্তা ঙাইরবা মচানুপানি, মথক্তা মচে অমা লৈ। মহাক্কী অপোকপা মপানা ভেটিরিনরি এন্দ ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### জে এ সী শেমখ্রে ৱারেপ ৪ লৌখ্রে

নুপামচা অনীসিনা ঙরাং অয়ূক থোকমিন্নখিবদগী মফম খঙদনা লৈরকপদগী ঙসি অয়ূক পুং ৯ তারকপদা অখাম অৱাং লৈকায় অমসুং মায়কৈ অদোমগী ক্লব, মৈরা পায়বী, ইমা-ইবেলশিং য়াওনা মফম অদুগী জিলা পরিষদ, প্রধান, চেয়রপর্সন অমসুং মেম্বরশিং ফাওবা শরুক য়াদুনা মফম খঙদ্রিবা অঙাং অনীগী লংলা-লংজিন খঙদোক্লবগীদমক মীফম অমা পাঙথোক্তুনা জোইন্ট এক্সন কমিটি অমা শেমখ্রে। মীফম অদুদা জিলা পরিষদ মেম্বর কৈশাম সোহোদেবনা থৌরম মপু ওইখি।

মীফম অদুনা কূপ্পা খন্নরবা মতুংদা মফম খঙদ্রিবা অঙাং অনীসি ফংননবা থিদোক্নবগীদমক জোইন্ট এক্সন কমিটি এগেনষ্ট দি মিসিং ওফ নিংথৌজম এন্থোনি এন্দ মাইবম অভিনাস ওফ অখাম অৱাং লৈকায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট মণিপুর হায়বা জে এ সী অমা শেমখি। জে এ সী শেমখিবগা লোয়ননা ঙসিগী মীফম্না লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না থৌপুনবা খল্লবশিংনা তোংব্রম দিপক (কনভিনর), খুন্দ্রাকপম লোকেন্দ্রো (কো কনভিনর), লোইতাম রোবর্ট (সেক্রেটরি), লাইশ্রম রোমিও (জোইন্ট সেক্রেটরি), কোন্সম সুরেস (পব্লিসিটি সেক্রেটরি) অমসুং মেম্বরশিংদনা তখেল্লম্বম তোম্পোক মীতৈ, চীংঙাখম পাকপী, কাংজম বোরকৈন্যা, তোংব্রম মনিতোম্বী, অরিবম থাজ, থাংজম জমুনা, খোইরোম সনাতোম্বী, নিংথৌজা রাধা, লাইশ্রম লোকেন অমসুং মোইরাংথেম নবকিশোরনি হায়রি।



মাইবম অভিনাস অমসুং নিংথৌজম এন্থোনি

### নুপামচা ২গী মোবাইল ফোন সেনাপতিগী ওইল পম্প অমগী ময়াদা অমুবা প্লাষ্টিক খাও অমনা য়োম্লগা লৈরম্লে

মফম খঙদ্রিবা নুপামচা অনী অসি ঙরাং অয়ূক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা টেলিফোন তৌবদা পায়খৎলকখিদবনি। মসিদগী চিংনবা পোল্লক্তুনা পুলিসতা রিপোর্ট তৌরবা মতুংদা মখোয় অনীনা পায়খিবা মোবাইল ফোনশিংগী খোঙ্গুল লীবদা সেনাপতিগী মফম অমদা লৈরে হায়বা খঙখি। মসিদগী সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ত পুলিসতা পাউ পীদুনা মখোয়গী খোঙ্গুল লীনবা হোৎনরুবদা মখোয় অনীনা পায়খিবা মোবাইল ফোনগী হেন্দসেট অনীমক অমুবা চেরং অমনা য়োমশিল্লগা সেনাপতিগী ওইল পম্প অমগী মনাক্তা লৈরম্বা থেংনখিবনি হায়রি।



### 'মীতৈ নৎত্রগা কুকিনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ততা প্রোব্লেম থোকহনবা য়ারোই'

লমহেন-তুহেনবশিংনা কিদনেপ তৌখিবনি চিংনরিবা নুপামচা অনীসিনা পায়খিবা মখোয়গী মোবাইল ফোনশিংবু অতম্লনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তকী মফম অমদা থাদরম্বা থৌওংবু নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন (এন পি ও) না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা মে ৫দা ত্রাইব হোহোগী পাঙথোকখিবা জোইন্ট মীটিংনা মীতৈ নৎত্রগা কুকিনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ততা প্রোব্লেম থোকহনবা য়ারোই হায়বগী ৱারেপ লৌখ্রবনি হায়রি।

অমরোমদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (এস দি এস এ) গী মায়কৈদগীসু সেনাপতিগী পেট্রোল পম্প অমগা মায়োক্লনা লৈবা ৱেটিং সেদ অমগী মনাক্তা মখোয় অনীগী মোবাইল ফোনশিং লৈহল্লম্বা থৌওং অসি কাঙলূপ-ফূরুপশিংগী মরক্তা থাজনদবা থোকহন্নবনি হায়না য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

### উরিপোক কাংচুপ লম্বী থিংদুনা প্রোটেষ্ট তৌখি

চহী নৌরিবা নুপামচা অনীগী লংলা-লংজিন খঙবা ঙমদনা লৈরক্লিঙৈগী চৈরক্তা ঙসি অয়ূক কৌব্রু লৈখাগী মফম অমদা নহা অনীগী অশিবা হকচাং তাদুনা লৈরে হায়বা ৱাফম অমা শন্দোরকপদগী মখোয় অনীবু কুকি লমহেন-তুহেনবশিংনা ফারগা শোয়দনা হাৎতোকপীবা ওইগনি চিংনবদগী উরিপোক কাংচুপ লম্বীগী মফম খরদা পেন্দ্রবা মীয়াম অমসুং মহৈরোয়শিংনা থোরক্তুনা লম্বী থিংজিন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌখি।

### জে এ সীনা গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর অমসুং লৈশেম্বা সনাজাওবদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

মফম খঙদ্রিবা নুপামচা অনীগী মতাংদা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফমনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না ঙসিমক জে এ সীগী মীহুৎশিংনা গভর্ণর অনুসুইয়া উইকে, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবগা উনদুনা মেমোরেন্দমশিং পীশিনখ্রে।

জে এ সীগী মায়কৈদগী পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা মখোয় অনী ঙরাং অয়ূক পুং ৯ লোম তারকপদা মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা কনফ্লিক্ট অসিনা ওইহল্লক্লিবা ফীভম অসিগীদমক অরাম্বাই তেঙ্গোলনা অৱাং সেকমাইদা পাঙথোক্কদবা মীফম অমদা শরুক য়ারুনবগীদমক চৎখিবনি। অদুবু মখোয় মশা-মশাগী য়ূমদা হল্লক্ত্রে অমসুং মরম অমত্তা খঙদনা মফম খঙদ্রে হায়বা য়াওরি। মখোয় অনীগী ইমুং মনুংগী মায়কৈদগী লমশাং পুলিসতা মিসিং রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা মথৌ তাবা থবক লৌখৎপীনবা হায়জখ্রে। অদুম ওইনমক লমশাং পি এসকী মায়কৈদগীসু মখোয় অনীগী লংলা-লংজিন থিদোকপা ঙমদবদগী গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর অমসুং রাজ্য সভাগী এম পিনা মখোয় অনীবু থিবগী থবক চথনবগীদমক ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল ফোর্সশিংদা পাউতাক পীবিয়ু হায়খি। পনবা য়াবদি, মেমোরেন্দম অসিগী কোপিশিং সেকমাই এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মিনিষ্টর ঐচ দিঙ্গো, লমশাংগী এম এল এ, এস রাজেন, সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ অমসুং মণিপুরগী সী এস ওশিংদসু পীগনি হায়রি।

### পুলিস য়াওনা কম্বাইন্দ ফোর্সনা নুপামচা ২গী খোঙ্গুল লীবা হৌখ্রে

ঙরাং অয়ুক্তগী মফম খঙলক্ত্রিবা নুপামচা অনীসিগী লংলা-লংজিন মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং, জে এ সী অমসুং লূপ কয়ানা অউপ্পা উনা লোংথোক্তুনা খোঙ্গুল লীরকপগা লোয়ননা গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর অমসুং রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনচিংবদা মেমোরেন্দমশিং পীশিনখিবদগী পন্থদনা মণিপুর পুলিস য়াওনা কম্বাইন্দ ফোর্সনা মখোয় অনীগী খোঙ্গুল লীবগী থবক হৌখ্রে।

কম্বাইন্দ ফোর্সনা মখোয় অনীবু থিবগী থবক চথরকপগী মতাংদা পাউচে অসিদা অখাম অৱাং লৈকায়দগী মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা আই জি পি (জোন ১) থেমথিং ঙসাংভা অমসুং এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট য়াওনা পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং ঙসি নুংথিল সেকমাই পি এসতা উনখি। খোঙ্গুল লীবগী থবক পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং অসিনা লমজিংলগা কম্বাইন্দ ফোর্সনা চথখি। কম্বাইন্দ ফোর্সকী টিম অসিদা অসাম রাইফলস অমসুং বি এস এফ য়াওখি।

### গভর্ণর অমসুং চীফ মিনিষ্টরনা নুপামচা ২গী খোঙ্গুল লীবা হৌরে হায়না ফোঙদোরকখ্রে

লংলা-লংজিন ফংদনা লৈরক্লিবা চহী নৌরিবা নুপামচা অনীগী খোঙ্গুল লীবগী থবক চথবীয়ু হায়দুনা ঙসি লমশাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, এস রাজেন য়াওনা অঙাং অনীগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা রাজ ভবনদা গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেগা হকথেংননা উনদুনা তকশিনখ্রে।

গভর্ণরগা উনবদা শরুক য়াখিবা নুপামচা অনীগী অপোকপা-অপোকপীশিংগা গভর্ণরনা থৌদোক অসিগী মতাংদা ৱারী শানখিবগা লোয়ননা খুদক্তা মখোয়গী মমাঙদা গভর্ণরনা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুর রজিব ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

### নোংমৈ কাপশিল্লম্লে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস):** ঙসি নুমিদাং পুং ১১ রোম তরকপদা ককৱা অসেম লৈকায়দা লৈবা জেনিমসকী দিরেক্টর এল দেবেনগী য়ুমগী থোঙ্গালদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ মরূ খরা কাপশিল্লম্লে হায়রি।

### কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস):** হয়েং নবেম্বর ৭তা ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুরদা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ১০, ককচীংদা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি হায়রি।

### 'করপসন' গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

'করপসন' (শেঙ্গা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্টমীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩

### অন্সমগী মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদনা অহাঙবা ত্রকশিং ফাওবা চৎহন্দ্রে

**লম্বীদা পল্লক্লিবা ত্রক দ্রাইভরশিংদা এম দি এনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং পীরুরে**

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস):** মণিপুর লৈঙাক্কী ইন্টরনেটকী অথিংবা হাংদোকউ অমসুং কোলেজশিংগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরশিং লৌনবগী পাঙথোকখিবা ইন্টরভিয়ু হায়দোকউ হায়বা দিমান্দদা ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, মণিপুর (অন্সম) না হায়ৱেশিংদা চঙশিল্লক্লিবা মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদনা মরম ওইরদুনা কৈথেলমানবীদা পন্দুনা লৈরক্লিবা ত্রক দ্রাইভরশিংদা মণিপুর দ্রাইভরস এসোসিএসন (এম দি এ) না চেঙ, হৱাই, অচাথাও অমদি ঈশিং লেম্না পীরুরে।

পোৎলমশিং অদু এম দি এগী প্রসিদেন্ট সাইখোম বাবুধোননা লুচিংবা এসোসিএসন অসিগী থৌপুবশিংনা খূৎশিন্নরুবনি। খোঙচৎ অসিদা সেক্রেটরি সঞ্জয় ক্ষেত্রিময়ূম, এদভাইজর গঙ্গা অমদি অতৈ মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি।

হিংনবগীদমক তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং অসি লেম্না দ্রাইভরশিংদা য়েন্থোকখিবা অদুগী মতাংদা এম দি এগী সেক্রেটরি সঞ্জয় ক্ষেত্রিময়ূম্না হায়, হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিনা মীতৈগী দ্রাইভরশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

### মোরেদা ওপরেসন চথবদা বোম ১দি মচাকশিং ফাগৎখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস):** মমাঙ থাগী ৩১দা এস দি পি ও, সী ঐচ আনন্দকুমার নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা অমসুং এম্বুশ তৌরক্তুনা পুলিস পর্সনেল অহুম শোকহনখিবা থৌদোক্কী মতুংদা থাজিনখিবা অহেনবা ফোর্সশিংনা নুমিৎ অদুদগী মোরে টাউন অমসুং অকোয়বগী মফমশিংদা চথরকখিবা জোইন্ট ওপরেসনশিং মখা তানা ঙসিসু মোরেগী টি য়াংনোন অমসুং টি হাংবোল খুলদা চথখি। ওপরেসন অসিদা বি পি জে কেট অমা, এক্সপ্লোসিভ আইরন পেলেটস কেজি ৭, পোম্পি সেল ২, এক্সপ্লোসিভ পাওদর গ্রাম ৫০, জি আই পাইপ ৬, নুপীগী বেগ ১, হন্টিং বুট ২, কেনবো বাইক ১ য়াওনা গাড়ী মচা ৩ ফাগৎখি হায়রি।

### মীতৈ-মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগী খোঙজং কনশিল্লক্লে

**জেনিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর দেবেননা দিমান্দ অসিবু তকশিনবা পোষ্টর কেম্পেন হৌদোকখ্রে**



**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** চহী লিশীং ৩ হেনবগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা য়েলহৌমী মীতৈ ফূরুপ্পু কন্সটিট্যুসনগী ঙাক্লো পীদুনা সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নবা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা লূপ অমা ওইরিবা মীতৈ (মৈতৈ) ত্রাইব য়ুনিয়নগী লুচিংবশিংগা ইরোয়ননা জেনিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এল দেবেননা ইন্সটিট্যুট অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক মমাঙদা দিমান্দ অসিবু তকশিনবগী পোষ্টর কেম্পেন হৌদোকখ্রে।

কেম্পেন অসি হৌদোক্লন্দুনা দিরেক্টরনা পাউমীশিংদা হায়, মীতৈ-মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা হোৎনবদা মণিপুরদা লৈরিবা ফূরুপ অসিগী মীয়াম্না অমত্তা ওইনা শৌগৎপগী মতম চপ চারে। ঐখোয়গী ফূরুপ অসি এস টি লিষ্টতা চলহনগদবনি। লমদমসিদা লৈরিবা য়েলহৌ ফূরুপশিংনসু শৌগৎমিন্নদুনা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা ঈংনা-চিক্না হিংমিন্নসি হায়খি।

কেম্পেন অসিদা শরুক য়াখিবা মীতৈ (মৈতৈ) ত্রাইব য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) মুতুম চুরামনিনা হায়, থা অসিগী ২০দগী হৌরগা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

### শকখঙদবশিংনা ৱাখল চোইরবা মীওই ১ মখোঙদা নোংমৈনা কাপ্লম্লে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ূক অঙনবা পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা লম্ফেল পি এসকী জ্যুরিসদিক্সন মনুং চনবা চঙাঙ্গৈ মনীংদা লৈবা বিসাল লো কোলেজগা ইরাপ লাপ্পদবা মফম অমদা শকখঙদবশিংনা ৱাখল চোইরবা মীওই অমা য়েৎথংবা খোঙগী খুজেংদা নোংমৈনা কাপশিল্লম্বদগী পুমতোই তোইনা শোকখ্রে।

শোক্লবা মীওই অসিগী মমিং অখাম রিঙ্গো (৪৬) কৌই, ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা এ লালমনিগী মচানুপানি। মহাক্কী অপোকপী মমাসু লৈখিদবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা অপোকপা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### HL Poll

Q : Lamsanggi Akham awang leikaidagi Avinash amasung Anthonysu Linthoingambi amasung Hemanjitki laibak tagadouribra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Kuki militantsinggi Lan ashi khamba yaodrabadi tha 6 hellaklabasu adumak makha tana chatthakhigani haibada aranba wafam oigadra?

Yes 50% No 50%

## কাংপোকপীদা লৈবা মীতৈগী য়ূমশিংদা কুকিশিংনা লৈশিল্লিবা করিগীনো

## ষ্টেট ১সুং সেন্টরদা বি জে পিগী লৈঙাক লৈরগা করিগী লান লেপহন্দবনো-২

**হকথেংনবা পাউদম**

*কাংপোকপীগী খুঞ্জা অমা*

**(ঙরাংগী মখা...)** অসাম রাইফলসগী পর্সনেলশিংনা ঐখোয় ১৬ য়াওনা পূন্না মীতৈ ৮০ রোম সেকমাই ফাওবা পুরক্লগা থম্বীরমখি। মখোয়না ঐখোয়বু থম্বীরম্লবা মতুংদা ঐখোয় সেকমাইদা নৌনা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরকখি। রিলিফ কেম্প অদুদা মতম খরা চনীং তানা লৈরবা মতুংদা মে ১৭তা ঐখোয় ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্বোইখোংনাংখোঙদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লাক্তুনা অমুক লৈরকখিবনি। ঐহাক্কী ইচানুপী অহুম, ইচানুপা অহুম লৈরে। মখোয় লোইনমক ময়ূম-মকৈ পাল্লে।

ঐহাক্না কাংপোকপী কৈথেলদা ফুরিৎ-খোঙ্গ্রাও অমদি কোটনচিংবা তুদুনা লৈরকখিবনি। অদুবু ইশাগী চহী য়ামশিল্লকপদগী কাংপোকপী ৱার্দ নম্বর ১৭ (শান্তি ভেঙ) দা লৈবা ইশাগী য়ূমদা ফি তুনবা মেছিন অনী পুথরগা থবক শূদুনা লৈজরকখিবনি। ফিরোল তুবগী থবক য়ূমদা ওইনা তৌরবসু ঐহাকপু নুংশিবীবা মীওইশিংনা য়ূম তান্না লাক্তুনা মখোয়গী খোঙ্গ্রাও-ফুরিৎ অমদি কোটনচিংবা তুনবা ওর্দর তৌবীরখি। কোট অমা তুবদা অতুমল লুপা লিশীং ২দগী ৩ ফাওবা লৌই। খোঙ্গ্রাওগী অতুমলনা লুপা ৫০০ লৌরগা ফুরিৎ অমগী অতুমলনা লুপা ৩০০ লৌই। মরম অসিনা ঐগুম্না ফিরোল তুবগী থবক তৌবা মীওই অমনা কাংপোকপীদা থবক অসি তৌবদা থা অমদা লুপা লিশীং ৪০ রোমদি লায়না তানবা ঙম্মী। অদুবু ঐহাক ইশাগী ওইনদি চহী য়ামশিল্লকপনা মরম ওইরদুনা থা অমদা লুপা লিশীং ১৫দগী ২০ ফাওবদং তানবা ঙম্মী। অদুবু ঐহাক ইশাগী য়ূমদদি ইলেক্ট্রিক ফংখিদে। অদুম ওইনমক হৌজিক্তি মে ৩দগী হৌরকখিবা তমথীরবা লাননা মরম ওইরগা ঐগী য়ূমদু থুগায়বা য়াবা থুগায়রবা মতুংদা হৌজিক্তি কুকি খরনা চঙশিন্দুনা লৈশিনখ্রে হায়রকখি।

অদুগা খৃষ্টিয়ান লাইনীং চৎপা মীতৈশিংনা কারম্বা চর্চ অদুদি করি অমত্তা অকায়-অতোয় থোকহন্দনা থম্লি। ঐগী য়ূমসু অহানবদা খরা থুগায়বা হৌগৎলম্লগা লোইনা থুগায়খিদে। মখা তানা থুগায়বগী মহুত্তা কুকিশিংনা চঙশিল্লগা লৈশিনখিবা থৌওং অসি য়ানীংদে। ঐহাক্কী য়ূম-ইঙ্খোল য়াওনা লৈহৌরিবা পোৎলম পূন্নমক্কী মমল অসি চাউরাক্না লুপা লাখ ১০গা লিশীং ৫৫ রোমগী ওইগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

মে ৩দগী হৌরকখিবা তমথীরবা লান অসিনা কাংপোকপীদসু য়ৌশিল্লকখিবা অদুগা মফম অদুদা লৈরকখিবা মীতৈশিংনা লাঞ্জেল্লকখিবগী ৱারী লীরবা মতুংদা মহাক্না হায়, হৌজিক রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরকপদগী থবক শূফম-নোম্ফম খঙদনা লৈরকখিবা অদু খুরাইদগী নুপী অমনা ফি তুনবা মেছিন অনী লৈবীবগা লোয়ননা মথৌ তাবা খূৎশু-খূৎলায়শিংসু পীবিরে। তুননবা ফিরোলশিং ফাওবা পীবিরক্লে। মেছিন অনী অসিদা রিলিফ কেম্পতা লৈমিন্নরিবী নুপী অনীগা পূন্না ফিরোল তুবগী থবক শূমিন্নরগনি। নুপী অনীনা তোঙান-তোঙানবা নুপীশিংগী ওইবা ফিরোলশিং তুগনি অদুগা ঐনা নুপাগী ফুরিৎ খোঙ্গ্রাওনচিংবা তুরবা মতুংদা মেছিন অমসুং ফিরোলশিং পীবিরক্লিবা মখোয়না পুরগা অমুক য়োনগনি হায়রদুনা ঐগীদি করিসু খন্দ্রে, ঐনা শূজবা থবক্কী খূৎশুমল ফংলগা লোইরে। লৈমিন্নরিবা অতোপ্পা মীওইশিংনা য়াওনীংলবসু পূন্না শূমিন্নসি হায়রকখি।

### মণিপুরী থিএটর একাদেমিগী দিরেক্টর শরুংবম বিরেনদা এৱার্দ পীগদৌরি



**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস):** উত্তর প্রদেশকী অজমগরদা লৈবা সোসল, লিটরেচর অমদি কলচর য়াওনা লৈবাক অসিগী কলা সংস্কৃতি চাওখৎনবা হোৎনরক্লিবা এপেক্স বোদি হুন্নর ওর্গনাইজেসননা ৱাঙ্গৈইদা লৈবা মণিপুরী থিএটর একাদেমি (এম টি এ) গী দিরেক্টর শরুংবম বিরেনদা 'হুন্নর নত্যশ্রী নেসনল এৱার্দ' পীদুনা ইকায়খুম্নগদৌরি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

### লুহোংলগদবী নুপী ২গী অউনপোৎশিং য়াওনা য়ূম ১ মৈনা তুম্না চাকখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস):** থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী মোইজিং ইদিগা লম্বীদা লৈবা লুহোংলগদবী নুপী অনীগী অউনপোৎকী পোৎলমশিং লাংশিন্দুনা থম্বা য়ূম অমা মৈনা তুম্না চাকখিবদা পূন্না লুপা লাখ ৪০ রোমগী পোৎলমশিং উৎ ওনখ্রে।

মৈ চাকখ্রবা য়ূম অদুগী য়ূম্ন্গী মমিং এম দি বুহিবুর রহমন (৬৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি নাজির খান কৌই। থৌদোক অসিগী মতাংদা মহাক্কী মচানুপা ৱাহিদুর রহমননা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা মৈ অদু ঙরাং নুংথিল পুং ৪ রোম তারকপদা ইলেক্ট্রিক শোর্ট সর্কিটতগী হৌদুনা চাক্লকখিবনি। মৈ চাকপা হৌগৎলকপদা মহাক্কী অপোকপা অমসুং ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫